# ইপুন পুনশিন্নখি



## রাণী নিঙোম্বম

**বীরমঙ্গোল** কোলেজ, শওম্বুংদা বি এ পোলিটিকেল সাইন্স ওনর্স তম্লিবা মহৈরোয় অসি কুমজা ১৯৯৫গী জান্যুৱারী ১০দা খোঙমন জোন ফোর, ইম্ফাল ইষ্টতা পোকখি। অপোকপগী মিংনা নিঙোম্বম প্রাদিপ অমদি অপোকপীগীনা নিঙোম্বম ওংবী সোনিয়া কৌই।

ইবা অমদি পাবনা মশাগী হৈনবী অমা ওইরিবী নৌনা ইবগী লমদা চংশিনবা পাম্লিবা অইবী অসিনা তুংগী মহাক্কী পুন্সিদা ইবগী লমদা মায়পুননা চংশিন্দুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক খুন্নাইগী করিগুম্বা খরা তৌজবা পাম্লি। মহাক্কী ৱাখল, পান্দম অদু ৱারীমচা অসিদা মমি তারি।

(পাউ চে অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা-২০১৫ দা অহানবা মনা ফংলবা ৱারীমচা)

**তুমথগদবা** কিরে। নুমীৎ খুদিংগী তুমথবদা লাক্লিবা মখোয় অমুকসু লাকখিগনি খল্লি। মীহাৎ থাঙ পায়বা বোম তোপ, নোংমৈ পায়বশিংনা মথং মথং ওৎলগনি, ঐবু অৰাবা পীরগনি। নাহে খোঞ্জেলগা লোয়ননা হুমাংনা পুংলুপ লুপ্পা মীকপ থোক্কনি।

অসুম্না নুমীৎ খুদিংগী পোথাদ্রবা য়াহিপ, কয়াদা ৱানা ৱানা য়াতারকপগী ফল ফংলবদা হকচাং অসিনদি করম্না খাঙবা ঙমখিগনি। য়াহৌরকপদগী হাইরি হাইরি তৌরবা হকচাংসি করম্বা নুমীৎতনো অমুক্তং মপুং ফানা পোথাজগদবা, নুঙাইনা তুমখুল তানজগদবা! মসিনা ৱাহং ওইরবা লমদমসিগী পুন্সিনি, পুন্সি মপৈ মপৈনি মথেল ফাদ্রবা। ঙসি কয়াদা ৱারকখিবা যূম য়ৌরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা বোম অমা পোখায়খিবগী খোঞ্জেলদুদি হামু হামুনি। নুমীৎ খুদিংগী থোক্লবনি। মসিদি হৈনরে, ৱাখিবদি বন্দ খঙতৌ তৌশিল্লকপদুনি অদুবু ৱানা লিৎথোরকখি। চাক হাথু হাথু চারগা ঙাইহাক্তং তুমথহৌগে হোৎনখিবনি অদুবু নীল খোঙবা নোংমৈ খোঞ্জেল মথং মথং তারকই। ঐগী মঙদ্রংগা ইশম শম্নখি ইপুন পুনশিনখি।

লৈচিল নোংফাই থাংলবা অতিয়াগী খোঙ লন্মীদা কুমথরক্লে শগোল তোংবা মীতে লান্মীশিং। শোয়দ্রে মখোয়দু পাউনা ব্রজবাসিনা লুচিংলকই। শাউনা মমিৎ শুক্তোক্তুনা য়েংলকই,

"করিনো অদুক তমথিনা শাউবিরিবা? ঐদি ইরাল লৈতবা মীশোন অমনি। ঐনা ইরৈবাক্কীদমক তৌবা ঙমজখিবদুদি ফীভমননি। লৈঙাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা শুমদুনা নৈহৎপীরবা ঐখোয় খুদিংমক ঐগুম্না পাঙ্গল ফুদোকপা ঙম্লরোইদবনি।"

ঐনা হায়জ হায়জবা তারগা ব্রজবাসিনা হেন্না শাউগৎলকই।

"নশাগী শক্তি ফুদোকউ, পাঙদবনি অশোনবনি হায়বা ৱাখলদু থাদোকউ নৎত্রবদি পূম্নমক কংদুনা শিরগনি খঙঙু। লৈকংলা ওল্লবা নরমদমবু য়োন্দুনা চারিবসি নখোয় নহারোল নত্তনা কনবীনবা কনাসু লৈত্রবনি হায়বা খঙদ্রবা? খুরক্কী ঈনা লাই শাবদুনি তমথিনা মাঙহল্লিবা?"

ঐনা খূৎ লোন্নদুনা হায়জরম্মী,

"ইপু অথৌবা ঐনবু করি তৌজবা ঙমগনি ঐবু করি তৌজৌ হায়বগে তাকপীয়ু?"

"লীংজেল মান্নৌ, নরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীদুনা মরমদমগীদমক পাম্মুদনা মথৱায় কৎখ্রবা মখোয়গী মচা মশুনি হায়বদু মখোয়দা খঙহল্লু। নখোয়দা লৈরিবা থৌনাদু মীকপ থোকহল্লু। মরন্নাই তানবগী খূরবা ৱাখলদু থাদোক্লবদা ইরায় লায়না নরৈবাক নজাতিনা হিংজবা ঙমগনি নৎত্রবদি লোইরবনি। য়েংঙু ঐগী তুংদা লাইওইখ্রবা লানবা ঙমদ্রবা থৱায় মপৈ মপৈ লাইরৈবাক্তগী নরক ওল্লবা লমদম অসিদা নন্থদুনা তারক্লিবা, মখোয়না অমুক অরান খুভম ফংগদবদি নজাতিনা নীংতমজরবা মতমদনি।"

ঐনা ঙক্লা য়েংলম্মী। অদুগা হংলম্মী,

"ঐখোয় হৌজিক মীখা পোনবদি নত্তেদনা ঐখোয়বু কনাগী মীখা পোনবগে?"

"অপঙবা অঙাং নখোঙদা থৌরি থুদুনা চিংলবসু নীংতম্বনি খল্লিবা নঙোন্দগী হেন্না তোনবা কনা লৈরি? নীংতম্বগী মিংদা মীখা পোল্লবা জাতি অদু মসিনি। নীংতম্লবা লমদম অসিদা ঙসি কনানসু নীংতম্বা ফংদে। শেল-থুমগী, লৈঙাক কাঙলোনগী য়োহিং ফলাং থাংলবা ফুরুপ অদু নখোয়নি।

মসিগী খনবদা ৱারবা থৱায়শিংনা পোথাবা ফংদনা কোয়চৎ চৎতুনা কথোকপা ঙম্বা মখোয়দু কদায়দা লৈবগে হায়না লেপ্তুনা থিরবসু থিবা ফংদে। ঙসি লমদম অসি হুরানবা চিরোন চৎপা মশাগীতা খনবা ময়ামগী চাক্তাফম ওইরবনি। ঙসিদি মখোয়বু য়েন্দেম-থরাক শোইবগুম শোইদৎলম্লগা লাইরৈবাক্তা হনখ্রগদবনি। থৌজিল্লু হৈরাংখোংজা, থৌজিল্লু চীংলেস্না।"

ব্রজবাসিনা থাঙশাং হাইগৎলদুনা এসেমল্লিরোমদা থৌজিনখি। মতুংদা চীংলেম্না হৈরাংখোংজা অথৌবা অমদি লাকমিন্নবা লান্মীশিং অদুসু ইন্নখি। উফুল ব্রং ব্রং হৌবমখৈ মৈতে লান্মীশিংদু থৌজিনখিবগা হাৎপা তুপ্পা কয়াগী খোঞ্জেলনা মায়কৈ শীনবা থুংনা নীল্লকই। ফিডৌ শেৎপা ঙসিগী লুচিংবা শাবশিংদু মথৱায় হিংনবা কপ্ন-কপ্না মায়কৈ শল্লাই খঙদনা চেন্থোক্লরকই। অদুবু মীকুপ ফাখিদে লোয়না মকোক কেন্দুনা লৈমায়দা হাইথরকই। ঙাইহাক্কী মনুংদা পুমচিক চিকখি। ঐবু অমুক য়েংলমদনা লৈচিল নোংফাই থাংলবা লন্মী অদুদা পাউনা ব্রজাবাসি অথৌবনা লুচিংদুনা শগোল মরী মরী থৌগৎখি। ঐনা লাউরম্মী,

"ইপু অথৌবা, ঐবুসু নঙগী লান্মী মরক্তা য়াওহনবীয়ু। ঐবু ঙাইবিরম্মু।"

ঐনা লাউনা খোংনা শগোল তোংবা লান্মীশিং অদুগী মতুংদা তান্নরম্মী। উপথু-উপথুনা তুরম্মী। অদুবু মখোয়দি ঐবু য়েংলমদনা থৌখ্রে।

ঐবু কনানো অমনা ইশা কন্না নোমদুনা হৌদোক্লম্মী, খঙলে ইমানি। ওম্থোক্লা কন্না মঙলাক্লুরুরে। ইমানা হংলকই,

"করিগীনো অদুক কন্না লাউরিবা?"

ঐনা পাউখুম পীরমদে ইমাগী খুইথরবা মায়থোংদা য়েংলম্মী।❍

# চৈথেং



## নিঙোম্বম সন্ধারাণী

**কুমজা** ১৯৯৬গী মার্চ ১০দা ককৱা মখা নাওরেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্টতা পোকখি। অপোকপগী মিংনা নিঙোম্বম রাজেন্দ্রো অমদি অপোকপীগীনা নিঙোম্বম ওংবী সনায়াইমা দেবী কৌই। অইবী হৌজিক ইম্ফাল কোলেজ, ইম্ফালদা বি এগী মঙাশুবা সেমিষ্টরদা তম্লি।

ইবা, পাবা ঙম্লকপদগী হৌনা ৱারীমচা ইনিংবগী অকনবা ঈথিল লাকপা হৌখি। হৌজিক মহাক লমদমসিগী মশক নাইরবা ৱারীমচা, শৈরেং ইবা ওজাশিংগী লাইরিক কন্না পারি। মমাঙদা ৱারীমচা খরা ইখ্রে। লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া অসিগী মরী লৈননা মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি উৰুবদা অইবী অসিগী নৌরিবা ৱাখলদা পোল্লকপা পেঞ্জবা কয়া অদু ৱারীমচা অসিদা ময়েক লানা ফোঙদোক্লি।

মহাক্কী ৱারীমচা অসিদা মরম চাদনা নুপী অঙাংশিংদা ওৎ-নৈবা, পেন্দবা কয়াগী খোম্লাওগা লোয়ননা ঙাইহাক লৈতনা মাংজৌননা মরম তাক্তনা চথরকপা অথীং-অরাকশিংনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়াশিং অদু তাশিন খোমজিন্দুনা মহাক্কী ৱারীমচা অসিদা তোম্বা কৌবা ওটো থৌরগা পুন্সিগী হিংন' লন্মী ওইজরিবা কেরেক্টর অমগী ইমুংদা পুশিল্লগা শাগৎপা ৱারী অসিনা মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পোকহনবা ঙম্লি।

(পাউ চে অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা-২০১৫ দা অনীশুবা মনা ফংলবা ৱারীমচা)

"**করিনো** লৈবাকসিনা তৌগদবসিবো! ঙাইহাক লৈরে কাপ্পল্লে, ঙাইহাক লৈরে নুপী হাৎলগা হুন্দোক্লল্লে মতুং তাবদা বন্দ-ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক। ফনা লুরিয়ে লৈবাকসিদা হিংগদবা।"

ঙাঙনা ঙাঙনা তোম্বা, মাগী সাইকল চিদেকপীদু ইন্থোরকই।

মাগী নুপী অঙ্গংবীনা তহা-তহা থোরক্লগা মঙ্গোলগী উখোকতেন্দা পায়বোই ঙাবোই তৌরগা,

"কদাইদনো বন্দনি হায়রগা?"

"বন্দ কনশিল্লক্ত্রিঙৈসিদা শেলহুনদু হুন্দোক্লুগে, চেঙসু খরা ৱাল্লক্লে তৌবনি।"

"পঙথেঙ থেঙবিরক্নুকো।"

পাউখুম পীরমদনা তোম্বা সাইকল থৌদোকখ্রে।

য়াচংবা মতুং ওইরে। মৈসু লাক্তবা মতাংনি। তোম্বা মাগী হুনগদবা শেলহুল হুল্লম্লগা সাইকলদু হাইরপ কন্না থৌরকই। ঙসাই মানা লাকপদা ইকোক কোকহৌবা সড়ক্তু টয়ার থাবগী মৈখুনা পুন্মম মল্লল্লে। নুংজাও মপৈ, ঈশিংগী পাইপ ময়াম্না সড়ক্তু পুংফুন ফুল্লল্লে। নাক য়েত্তনা মীনা পরেং পরেংনি। অনকপা অরাপ্পদা পোষ্টতা খিংলকপা মখোলশিংদুনা মরোলমা পুল্লাংনি। নুমিদাংসু ওইশিল্লক্লি, টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মখোল অমা ইনক নক্ল া তাই। লাংলম্বা ময়ামদু মীকুপ খরদি খঙচিক চিকখি। পুলিসকী জীপসি অমখক খঙথৌ থৌগৎখিবদু তোম্বসু উহৌই।

জীপসিদো হেক থৌখিবগা সাইকল থৌরকপা তোম্বদা মীয়ামদু গ্রুং হুপচিল্লকই। খাম্মু হায়রকপনি হায়বা তোম্বা ভাব তারক্তুনা খাম্নবা হোৎনরিঙৈ তুংদগী নহা অমনা,

"ননা তাদ্রা" হায়দুনা মনঙ্গন্দা শাফু কল্লপনা ইল্লকই। মশামক্তি শোকহৌদে হায়ববু সাইকলদি কোইলাসতা চেপনা হায়থখ্রবনি। দুকান্দগী ৱাল্লকপা চেঙ য়াওবা খাউদু শেগায়দুনা নুংজ্রেং, টয়ার থাবগী মকুপ মুশুক মুবা মরক্তুদা পুমচাই চাইখ্রে। নহাশিংদু য়ুনম নম্বসু য়াওই। নুপী খরা থোরক্তুনা মখোয়বু হোইজিনখ্রে।

অমুক্তা শাউদবা তোম্বদু শাউনিংবগী মথক্তা ইকায়বগা পেন্দবগা য়ানশিন্নরকই। নোংমা নীনি নোংলেঞ্জগদবা চেঙশিংদুনা ডৌরোক ডৌনা চাইথোকখিবদু উৰুবদা মশা পূম্বা পীং-পীং লাউরকই। সাইকলদু ইল্লগা তপ্ন-তপ্না লাকই। মখোল অহৌব'মা তারকই হায়দুনা তুং হন্না য়েংলুবদদি ঈশিং পুবা গাড়ী অমা মিংশেল পুমকায় কায়না খামদুনা লৈবদু উই। অৰা অনা থীদনা হিংনবগী হোৎনজরিবা মীচম শিম্নী ঐখোয় মশেলদা অৰাবা পীনরগা করিবুনো তাল্লিবা মখোয়না! ইল্লম্বা সাইকলদো থৌরগা ময়ুম মায়কৈ পাংলকই।

অকুৎ অতোং নাইরবা লন্মীদুদা, মল্লবা সাইকলগী কয়াৎশিংদুনা গে-গে ক্রেক-ক্রেক লাউনা তেংথারিবদু তাবিনবা কনাসু লৈত্রবগুম্মী।

নুমিদাং চাক চামিন্নরিঙৈ অঙ্গংবীনা ৱারী হৌদোরকই,

"চেঙদুবু কেজি কয়ানো?"

"মঙাখক্তনিদা।"

"অদো পাম্মুইকো?"

"হয়েংদি দুকানসু হাংলরোই।"

"মপাঙ্গল শোনবী নুপীদা হাৎনেনা হাৎলিবদো খরদি খঙহনগদবনি। মদুসু নুংশিনরিবা, লৈশাবীনি হায়নৈ। বন্দবুদি মরম চায়।"

তুমিন্না চাক চারিবা তোম্বগী মপৃক্লিংদদি খোঞ্জেল কন্না হায়নিংবগুম তৌরি,

'ঐনা নুংশা মরক্তুদা চাবোই চাদবোই শু নোম্লগা ৱানজবা চেঙশিংদো কোইলাস মথক্তা মাঙহৌবদুদি ঐনা করি লাল্লুরে!'

খোঞ্জেল থোক্লা হায়রকই,

"বন্দনি খঙনা ঈশিং য়োল্লুরিবদু কৈসু চৎনিংপোৎতে মাসু মচাশিংদু মপুক থলহনবা, মফি শেৎহনদবসু য়াদবা, মদুগী মথক্তা মহৈ মশীন পুম্নমক্তো বন্দনি খঙনা লাইবক য়েংবা থোরক্লিবনি।"

অঙ্গংবী তুমিন্না তাই। তোম্বসু মখাদি তারকখিদ্রে। তাঞ্জাদুদা থোঙদা কোক কোক-কোক থিল্লকই। অৱাংগী ইনে থরোনি, মাম্মদু অনাবা হৌরেনা ডোক্টরদা পুখৎনবা তোম্বগী ওটোদু থৌদোরকউ হায়রিবনি।

অঙ্গংবীগা তোম্বগা খূৎলৈ থুনা খূৎ-শা হামদোক্তুনা থুনা ফিরোল শেৎচিনবা লোইরগা ওটোদু ইম্থোক্লুরে। ইনে থরোনা হায়রকই,

"নখোয়গী মৈ পুন্মম মল্লিসিবু?"

"ইনে ঐখোয়গী মৈ থৎখিবা কুইরে। বিল পংয়াম য়াম্বা নত্তে। হন্দক্তি শোয়দনা থিদোক্লে খনবনি। বন্দসিনা তোয়মনবসিদা গাড়ী চেনবা লৎপসিদা ঙমদদুনা লৈরিবনি।"

"হোয়নে, হুরাল্লগা মৈ কোৎপশিংসিদি দন্দি পীবা ঙমদ্রগা ঐখোয়সু অৱাবা তারবনিসে।"

ৱারী শানা শানা থৌরকপদা মখোয়গী শুমাং য়ৌরে। মাম্মদু ফর-ফর হাইদুনা ময়াম চঙদুনা লাক্লরম্মী। মাম্মবু ওটোদা শৌদুনা কাখৎহল্লে। য়ুম্লোন্নবা অমা-অনীসু চৎকনি হায়দুনা হোস্পিটাল তম্না চৎপদু ফনা কুইনা চঙই। লমতূপ খুদিংগী অনাবা পুবনি হায়বা খঙহল্লিঙৈদা মতমসু য়াম্না হৌখ্রে।

মাম্মগী ফীভম কা হেন্না নুংশা থীনিঙাইদি ওইদে হায়বদুদা মখোয় ময়াম খরা ঙন্না য়ুম য়ৌহৌনবা তৌসি হায়দুনা তন্নমুক হন্নরকই। গাড়ী মনুংদগী তোংলিবশিং ৱা লাং ইঙাঙ ঙাঙনদ্রে মরমদি কাংসি লেপ্পুনা খিংলি। লন্মী লমজাউ খুদিংমক মীনা পুন্মুনি অথেঙবা অহিংদুদা। অরাকপা গাড়ী মচা অচৌবা খরদো হলহনখিবা য়াও, মৈ থাখিবা য়াও, খরবুনা কুইনা শাংনা মতম মাঙহন্দুনা ৱাহং পাউহং চথবসু য়াওই। মতৌদুদা অঙ্গংবীনা ইপা পাখৎনা হায়রকই,

"ঐখোয়সু থৎকে হায়রদি করম হায়না তৌনি?"

অঙ্গংবীগী পাখৎচবা মতৌদুদা তোম্বনা খুন্নকই,

"ঐখোয়দি তৌশন্নবসু নত্তনা করিগী কিদৌরিবনো? অশেংবা হায়রগা লোইরে, কৈসু খল্লুরনু।"

গাড়ীদো খান্নে। মখোয় খরনা অমনা ইল্লগা চৎলো হায়, অমনা য়ারোই হায়। ঙাইহাক ঙাঙনা শক্লুরে মমৈদা নহা চপশাং শাংব'মা চঙশিল্লক্তুনা তোম্বদা মায়ওন্ননা হায়রে,

"নরীল কয়াম ফবগে য়েংবা তারে। নঙগী নচল, নচাদা থোক্লন্দি নুংঙাইগদ্রো? গাড়ী থম্লম্লগা ইয়াম্বা চৎখিবা তারে।"

তোম্বা তুমিন লৈ, পাউখুম পীদ্রি। পীফম খঙদবগী পাউখুম পীদ্রি। মখূৎতগী অশাংবা উচুক অমা পায়রিবদু মুন্না উখিদ্রে।

তোম্বনা লৌশিং তারকপদদি মাগী ফমুংদা হিপ্পুনা লৈরম্মী। অঙ্গংবীনা কপ্পী। মমাঙলোমগী তাদা অচৌনা হায়,

"তোম্বা কৈসু খল্লুনু, ইনাওগী ওটোদু অমুক লৈরগা লোইরে। খঙদেদা লৈবাকসে হিংবা লুদৌরিদা।"

তোম্বনা কয়া থোইনা তাদে তাদা অচৌগী ৱাহৈশিংদো।

মাগী ওটোনা মৈরী ওনখিবদু খক্তনি মানা কাউদ্রিবা, মমীত্তা অসুম শং শং উরিবা।

মনীংতম্না চাক্লিবা মৈরীদুদা তোম্বনা থিরি ডেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক।❍

# ইমা নঙগী লৈফমসে থাপ্পীদকো



## মিসেল লাইশ্রম

**হুইয়েন** লানপাউ ৱারীমচা ইবা চাংদম্নবগী অহুমশুবা মনা ফংখ্রবী জৱাহর নভোদিয়া ভিদ্যলায়া, খুম্বোংদা মহৈ তম্লিবী মিসেল লাইশ্রম কুমজা ১৯৯৮গী ওক্টোবর ১৯দা থৌদা ভাবোক লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্টতা পোকখি। অপোকপগী মিংনা লাইশ্রম শ্যাম অমদি অপোকপীগীনা লাইশ্রম ওংবী সালিনা কৌই। এলেভেল ষ্টেন্দর্দ সাইন্স মহৈ তম্লিবী অইবী অসি লৈকোল শেমগৎপা অমদি শান্নবগী হৈনবী লৈ।

পুন্সিদা মায় পাকপা মেথমেটিক্সিয়ন অমা ওইবা পামজরিবী অইবী অসি ৱারীমচা ইবগী কলা অসিবুসু থোইদোক্লা খোইদাজবীনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ অসি কুমজা ১৯৪২দা মণিপুরগী ইম্ফালদা য়ৌরকখিবনি। লাঞ্জাউ অসিগী চৈথেং ফংলবা মতমদুগী মীয়ামগী পুন্সি অমদি ৱাখলদা থেংনখিবা চরাংনবা, লৈতাদবা অমদি পুন্সি কয়া চন্নফম খঙদনা মাংখিবা কয়া অদুনা মহাক্কী ৱারীমচা অসিগী বেকগ্রাউন্দ ওইরগা মীওইবগী মরক্তা লৈনরিবা মীনুংশি অমদি সাইকোলোজি কয়া অদুদা শেমগৎতুনা ইবা ৱারীমচানি।

পুন্সিদা বেঙ্গোলি স্ক্রিপ তম্লক্তবনা হন্দক্কী ৱারীমচা চাংদম্নবা অসিদা খুদোংচাদবা খরা থেংনখি। অফবা ৱারীমচা কয়া লমদমসিদা লাইরিক ওইনা ফোঙদুনা লৈরবসু মীতৈ ময়েক্তা ওইনা লৈতবনা পাবগী খুদোংচাবা কয়া ফংবা ঙমদে। অদুনা মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা ৱারীমচাগী লাইরিক মরাং কায়না ফংহন্নিংবগী অপাম্বগা লোয়ননা হন্দক্কী মহাক্কী মীতৈ ময়েক্তা ইথোক্লবা ৱারীমচা অদু বেঙ্গোলি ময়েক্তা কনাগুম্বা অমদা শিন্দোকহল্লগা চাংদম্নবা অসিগীদমক ৱানা থাগৎখিবনি। ওল্লকপা কুমওনদদি মীতৈ ময়েক্তা ইবসু য়াহনবীয়ু হায়না মশানা ফোঙদোরক্লি।

(পাউ চে অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা-২০১৫ দা অহুমশুবা মনা ফংলবা ৱারীমচা)

**মেগী** তাং ৯, থাংজ কুমজা ১৯৪২।

কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়গী য়াম্বুং অঙৌম্না মাগী শুমাং মচি অমদা ফমদুনা মচা হল্লকপা ঙাইরি। নুংঙাইতবা ৱাখল খরনা মাবু মীকুপ অমা ফাওবা পোথাহন্দ্রি। মাগী নুপী কায়নখিবা থা অহুম ফাদ্রি। অমরোমদা মাগী অমতা পোকচবা মচা বুংশ্না মীরোল তাদে, মরোল থোক্তে, অঙাওবগা মান্ননা লৈ। অদুবু কনানসু মাবু ঙাওই হায়বদি খঙদে। মশা নাল্লি, মশক মতৌ ফজে, ফজবা ফিরোল শেৎলি, লাইরিক ইবা পাবা ঙমই। অদুবু মচিন্দা মখোল থোক্লা ফোঙদোকপদি ঙমদে। নুংতি নুমীৎ খুদিংগী অঙনবা অয়ুক্তা মফি মরোল নান্না শেৎলগা বোই মচা অমগা পেন্সিল অমগা পায়রগা কৈথেলগী মনুংদা চঙলগা মাগী বোইদা করি করিনো ইশিনবা অসিনি মাগী মথৌ। অসিগীসু মথক্তা য়াম্বুংনা হেন্না ৱাজরিবদি মীপুম খুদিংনা 'জপান লান লাক্লনি, বোম থাদরনি হায়বা তোকঙা অসিনা য়াম্বুংগী ৱাখল অমুক হেন্না শোকহনখিবনি। মীমান্নদ্রবা মচাগী ৱাখল, নুংশিজখ্রবী মাগী নুপীনা মতম চাদনা লৈখিদবা ময়ামসিনা য়াম্বুংনা হিংনিংবগী থোইনা অপাম্বা লৈরক্তরে। মরকসিদা মখা হেক থংবদা লৈমিন্নবা ময়াম্বুং অহলনা লাউরকই,

"অঙৌ অঙৌ, করিগীনো নুংশা মরকসিদা ফম্মিবদুবো, ঐসু খঙই য়াম্না নুংঙাইতে অদুবু ঐখোয়না তৌগদবসিবো করিনো? তৌনরিবা ঈরাংসে নহাকসু উরেদনা, বুংস্নাদো মরাইনা লাকচনি, হৌগৎলু ইমুংগী পোৎচৈ লোইশিল্লু, ঐগীস নঙ নথন্তনি, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎসে, অসিগী অয়ুক অঙনবদা চৎসি। অদুগা য়াবা য়াদবা ইবুংঙোসু পুগদবনিকো হৌগৎলু হৌগৎলু।"

মেগী তাং ১০, নোংমাইজিং নুমীৎ।

চাকচা মাঙনি। নেম্না পাইবা প্লেন অমা অনীগী মখোল তাখি। ময়াম্না 'জপানগী প্লেন পাইরে,পাইরে' হায়দুনা য়েংনৈ। ইকান কান্নদে, হৌরবা মখোল অমা তাখি। ময়ামসু 'বোম থাদরে' হায়দুনা ইমুংদা অমসুং মখোয় মখোয়গী লোৎফমদা চেনশিন্নৈ অদুবু য়াম্বুংদি বোমগী মখোল ময়াম্না লাংবগী মখোল থোইনা খল্লুদে, মমীৎতগী পিরাং মতুম মতুম শীন্থদুনা মুরুম-মুরুম শোন্না মচা লাক্কদবা মায়কৈদা য়েংলদুনা লেপলি।

"ইপাগী বুং নঙবু কদায়দা লৈরিবগে? পাবুংগী অৱাবসে পুবা ঙম্লক্তরে, নঙবু হল্লক্লোগবা"

নুমিদাংদু য়াম্বুংনা বুংস্নাদা ঙাঙবা য়াবা কয়া ঙাঙই, বুংদি ঙাঙলিবা ময়ামদু খঙব্রা খঙদবরা থৌশাদে। নোকমি নোকমি তৌরদুনা মপাবুংদা য়েংলগা অদুম লৈ। মচাগী মাইথোংদু উরগা লৈখিদ্রবী মাবু নীংশিংদুনা য়াম্বুংসু মখা তাবা ঙমখিদে। অদুবু মথংগী নুমীৎতদি মাসু য়াওনা চৎকদবনি অদুনা অয়ুক্তগী চৎথোক্লনু হায়দুনা ঙাঙলিবনি।

অহিং অদু ফনা থেঙলে। য়াম্বুংদি য়ূমদু থনম্লগা চৎলনি খল্লুবদা মীকুপ অমা ফাওবা তূমথবা ঙমখিদরে। 'মমাশিগী ফিরোইসিদং লোইশিল্লবদি' খল্লি। মাবু মতোমতা থনম্বা হায়বদো থোক্লগদরা? 'কায়নদুনা লৈরবা অসিদা অমুকসু কায়নবা হায়বদো ওইরনিকো' হায়নসু খঞ্জখি।

ৱাখল ময়ামসি খন্না খন্না য়াম্বুংদো তূমথখিবা খঙখিদে। ঙাইহাক্তং তূমথখিবা অদুদা বুংগী মমাশি 'তরু' থোঙজিন্দা লেপ্লগা য়াম্না ঙাঙলমই,

"করিনো মহোয় পাবুংনা তৌবিরিবসিবো? ইবুংঙোনা য়াদে হায়দুনা কয়াম কুইনা লৈবা য়াখিগদগে? পুবিবা ঙম্লরোই হায়রগনা ঐ পুজখ্রগে, অয়াবা অদুতং পীবিরো।"

য়াম্বুং খঙপ্রেক খঙনা ফমুংদগী হৌগৎলি। মচিন্দা, 'শিদবা, শিদবা' শোল্লগা মমায়দা মখূৎনা নাম্থুজে। 'করি মতৌনো, করি থোক্লগবা অসুক কুইরবা মতমসে নোংমতা তৌখিদ্রবা থৌদৌ, শকফম অমতা কায়দনা ঐঙোন্দা উৎলরিবা মওং, মচিন্দা তাইবং মপুবু শোঞ্জরে, মালেম ইমাবু অহুল্লক লাইবক কৎচরগা হৌগৎলে। থোঙ অদু হাংদুনা লৈরল্লে। 'ইস! অসুক ঙন্না কনানা হাংলিবনো, য়াম্বুং ইঙক ঙখই। মপান থোরকপদদি উরে, বুংস্নানা মমানা তুবিখিবা মফি মরোল অহনবশিংদু লোয়না শেৎলগা চৎকদবগী থোঙ্গালদা লেপ্পুনা লৈরিবা অদু। "মাঙলে! মাঙলে! বুং নঙ ঙসি চৎখিবা য়ারোই ঙাইখো। ঙাইহাক লৈরগা পাবুংহনগা ময়াম চৎমিন্নগদবনি, পাবুংগী মঙসু য়াম্না নুংঙাইতে লাক্লো চঙলসি" হায়না মচাবু পুশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু য়াম্বুংগী ঙক্তুনা লৈরবা ৱাখলগী পল্লেপফম খঙদনা লৈরিঙৈ মরক্তুদা বুংস্নানা মপাবুংবু য়েংলগা মোমোন নোক্লা হায়রকই,

"পাবুং নচাদি ঙসি চৎতবা য়াররোই, অঙনবা অয়ুকসিদা মখোয়বু উনদবা য়াদে, য়াম্না থুনা হল্লক্লনি, মতুংদা অমুক চৎলরোই ঙসিনা অরোইবনি। নচাবু থীংবিগনু নচাদি ঙসি চৎতবা য়াররোই।"

মোমোন মোমোন নোকপা মচাগী মমীৎ অনীদগী পিরাংগী ঈরিক খরগা লোয়ননা মপাগী অয়াবা নীরকখি। য়াম্বুংসু ইঙক ঙক্লদুনা,

"বুং নঙনা ঙসি তৌরিবা অসিবু অশেংবরা? তৌরিবা ময়ামসিবু ঐঙোন্দদি পূম্নমক মঙ ওইনা..." লোইফাৎত্রিঙৈদা বুংনা,

"পাবুং পূম্নমক অশেংবনি, মঙ নত্তে, ঐহাক ৱা ঙাঙবা ঙম্লে, করিসু তৌদ্রে ঐ য়াম্না থুনা হল্লক্কনি" হায়রম্লগা চৎখ্রে।

মচানা চৎখিবদু য়েংনা য়েংনা নীংশিংলকখি নোংমা কিথুম পুবা পাঙল মাইবা অমনা হায়খিবদো,

"নঙগী নচাসে নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা মরোল থোরক্কনি, নুমীৎ অদুদা মাগী অৱাবসু লোইনা কোক্কনি।"

'মসিমক্তনা অচুম্বা ওইরবদি কয়াদা নুংঙাইজগদবা, হে তাইবঙ মপু পূম্নমকসি অচুম্বা ওইহনবীয়ুকো। ঐনা তত্তনা হংজরক্লিবা ৱাহংগী অতোপ্পা পাউখুম অমা অমুক পীবিরনুকো।' খঞ্জখি য়াম্বুং মপি তৈথোক-তৈথোক্লা।

বুংস্না থুনা হল্লকই। অদুবু মতোমতা নত্তনা অতোপ্পা নোংমৈ পায়বা মীওই ৭/৮ অমসু লোয়নরকখি। চঙশিল্লক্লগদি উরে ময়ামদু 'কেপ্তেন ফিলিপ' কৌবা অমনা লুচিংলকখি। মনাক্তা য়ৌরক্লগা হংলকখি,

"ইজ দিস য়োর সন?"

"য়েস সার"

ঙাইহাক লৈরগা কেপ্তেনদুনা অমুক,

"ইজ য়োর সন ম্যেদ?"

পাউখুম পীবা ঙমদে, ঙাইহাক চঙক্লনা লৈ। নঙগী নচাসি ঙাওরবরা হায়বনি। অদুবু মচাদুবু করম্না ঙাওই হায়গনি। কেপ্তেনদুনা অমুক্তা খোন খরা কল্লপনা,

"ইজ য়োর সন ম্যেদ?"

খুমদবা য়াদবা মতাং থোক্লদুনা খুমখি,

"নো সার, হি ইজ নোট ম্যেদ।"

"আর য়ু শিয়োর?"

"য়েস সার, হি ইজ নোট ম্যেদ" য়াম্বুংগী অরোইবা পাউখুম কেপ্তেন ফিলিপ তুংদা খোঙফম অনী হন্দোকখি। হায়রকই,

"দেন হি ইজ এ স্পাই" অসি হায়রম্লগা মাগী নাকন্দা য়াল্লিবা পিষ্টোলদু শৎলগা বুংস্নাগী মকোক্তা অনীরক কাপখি।

য়াম্বুং অঙাওবগী মতৌগুমখ্রে। লাউরকই,

"মাঙলে! মাঙলে! ইপাগী ইবুংঙো পাবুংগী পাউখুমদুনা ইচাগী পুন্সি মাঙনবা ওইখ্রমাল্লেনে।" তুথরক্লিবা মচাদু কোল্লদুনা লৈমায়থক্তা তুথরক্লে। মখূৎতা পায়রম্বা বোই মচাদু লৈমায়দা হাইথরক্লে। অরোইবা চেনাদুদা ইরমই।

মেগী তাং ১১, নিংথৌকাবা নুমীৎ, ইমাগা উনবা।

'ইমা নঙগী লৈফমসে থাপ্পীদকো'

পুন্সি হায়বসে অচৌবা ৱাহং অমনি, মসিগী পাউখুমদি শিবতনা ওইরি।❍

